# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 27-07-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মণিপুর পুলিসনা চুরাচান্দপুর জিলাগী সেহকেন ভিলেজদা থি হুম্বগী থবক চথবদা মীওই অনি য়াল্লবা ড্রগকা কোন্ননা ফারে।

২) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী পুকিংগী ৱা, মনকি বাটকী ১২৪ শুবা তাঙ্কক ঙসি অয়ুক পুং ১১ দা অকাশবানিগী থোঙদা শন্দোক্কনি।

অমসুং

৩) কেন্দ্রগী শিক্ষা মন্ত্রালয়না রাজ্যশিং অমদি য়ুনিয়ন তেরিতোরি পুমমক্তা মহৈরোইশিংবু অশোই অঙাম থোকহন্দনবা থবক পায়খৎনবা খঙহনখ্রে।

------

এরেষ্ট (এল)ঃ মণিপুর পুলিসনা মীওই অনি য়াল্লবা ড্রগকা কোন্ননা ফারে।

পুলিসকী পাউনা হায়- চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী কাংবু অমনা বিহাং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা সেহকেন ভিলেজদা থি হুম্বগী থবক চথবদা মীওই অনিদগী য়াল্লবা ড্রগশিং অদু ফাগৎপা ঙমখিবনি। ফারবা মীওইশিং অদু চুরাচান্দপুর জিলাগী থাদৌ ভেং, সিহাৎ অমসুং চাংলৈ ভেং, মোলনোম খুলদগীনি। মখোয়দগী তোঙান তোঙানবা সাপোন কেপ ১৫৬ তা হাপ্তুনা পুরকপা ব্রাউনসুগর ফাগৎখি।

পাউ অসিনা হায়- সেক্যুরিতি ফোর্সনা চীং অমসুং তম্পাক্কী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুম্বগী থবক লেপ্তুনা চথরি।

মণিপুর পুলিস অমদি সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংব্ অমনা তেংনৌপল জিলাগী ৱাজাং অমদি অকোইবা মফমশিংদা থিবা হুন্নবগী থবক চখিখি। ককচিং দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী অপুনবা কাংবুনসু ককচিং জিলাগী কৈরক ডাম অমদি তেজপুরদসু থিবা হুন্নবগী থবক চখিখি। মদুদা মীওই ৭৫ মশাগী শকতাক চে পুথোকহন্দুনা মশক খঙদোকখি।

পাউ অসিনা হায়- চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিস, অনিসুবা জেকলাই অমদি বি.এস.এফকী অপুনবা কাংবু অমনা চুরাচান্দপুর জিলাগী নালোন খুল অমসুং মসিগী অকোইবা মফমশিংদা থিবা হুন্নবগী থবক চখিখি। মদুদা মীওই ১৩০ রোম মশাগী শক্তাকচে পুথোকহন্দুনা মশক খঙদোকখি। অদুমওইনমক, থোইদোকপা মীফম মীপুনদি য়াওখিদে হায়রি।

রোমিও (এল)ঃ নিউ দিল্লিদা লৈবা ভারতকী এদভেঞ্চর স্পোর্টসকী এপেক্স বোদি ওইরিবা নেসনেল এদভেঞ্চর ফাউন্দেসন (এন.এ.এফ) মণিপুর চেপ্তরগী দিরেক্তর ওইনা থৌ পুনবগীদমক ডাঃ কাঙাবম রোমিও খল্লক্লে। এন.এ.এফকী ময়াই লোইশঙদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা ফাউন্দেসন অসিগী একজিক্যুতিভ দিরেক্তর রিটায়ার্দ- ৱিং কম্মান্দর কে.কে. বরমা অমদি প্রসিদেন্ট লেফটনেন্ট জেনেরেল রমন ধাৱন্না এপ্লোইন্টমেন্ট ওর্দর অদু খুৎশিন্নখি। ডাঃ কাঙাবম রোমিওনা হৌখিবা চহি ৪০ রোম অসিদা কৎথোকপগা লোয়ননা এদভেঞ্চর স্পোর্টস, মাউন্টেনিয়ারিং অমদি স্পোর্টস ক্লাইম্বিংদা লৌরকখিবা থৌদাং অদুগী শকখঙবা অমদি পুকিং থৌগৎপা ওইনা এন.এ.এফকী দিরেক্তর ওইনা থৌ পুনবা খল্লকখিবনি।

অমরোমদা, এন.এ.এফকী থৌশিল অসিদা মণিপুর ক্লাইম্বিং স্পোর্টস এসোসিয়েসন (মস্কা)না থাগৎপা ফোংদোকপগা লোয়ননা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি। মস্কাগী চেরোল অমদা হায়- ডাঃ কাঙাবম রোমিও হৌজিক হৌজিক মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী টিচরস ইজ্‌কেসনদা ফেকলতি ওইবতা নত্তনা নেসনেল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিতি মণিপুরগীসু ভিজিতিং ফেকলতি ওইরি। মসিদসু নত্তনা

মণিপুর স্পোর্টস ক্লাইম্বিং এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট ওইনা থৌ পুদুনা মহৈরোই অমদি শান্নরোই কয়াবু লমজিং লমতাক্লি।

মনকিবাটঃ  প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী পুকিংগী ৱা, মনকি বাটকী ১২৪ শুবা তাঙ্কক ঙসি অয়ুক পুং ১১ দা অকাশবানিগী থোঙদা শন্দোক্কনি।

থৌরম অসি এ.আই.আর ন্যুজ, দি.দি. ন্যুজ, পি.এম.ও. অমসুং ইনর্ফোমেসন অমসুং ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়গী য়ুট্যুব চেন্নেলশিংদসু লাইফ ষ্ট্রিমিং তৌগনি। এল.আর.এস চুরাচান্দপুরদসু থৌরম অসি শন্দোক্কনি। প্রধান মন্ত্রিনা ৱা ঙাংবা হেক লোইবগা মসিগী মণিপুরী ৱাহন্থোক অকাশবানি ইম্ফালনা শন্দোক্কনি। মসি ঙসি নুমিদাং পুং ৮ দসু অমুক হন্না শন্দোক্কনি। দাইলেক লোলশিংদনা হয়েং শন্দোক্কনি।

ইদুকেসন ঃ        কেন্দ্রগী শিক্ষা মন্ত্রালয়না রাজ্যশিং অমদি য়ুনিয়ন তেরিতোরি পুমমক্তা মহৈরোইশিংবু অশোই অঙাম থোকহন্দনবা অমদি মখোয়গী য়াইফনবা থবক খুদক্তা পায়খৎনবা খঙহনখ্রে। মসিগী মনুংদা স্কুলশিংগী সেফতি শুকশোই শোইদনা য়েংশিনবা অমদি জাতিগী ওইবা সেফতি কোদশিংগী মতুংইন্না অঙাংশিংদা ফংহল্লিবা খুদোংচাবশিং, ইম্মরজেন্সিগী মতমদা খুদোংথিবা কয়া মায়োকনবগীদমক মহৈরোইশিং অমদি ষ্টাফপু ত্রেনিং পীবা অমদি কাউন্সেল্লিংনচিংবা পাঙথোক্কুনা অঙাংশিংবু সাইকো সোসিয়েল সপ্পোর্ট পীবনচিংবা য়াওরি।

মন্ত্রালয়গী ৱারোল অদুদা রাজ্যশিং অমদি য়ুনিয়ন তেরিতোরিশিংনা মহৈরোইশিংগীদমক পায়খৎকদবা থবক থৌরম কয়াগী মতাংদসু পল্লি। রাজ্যশিংগী শিক্ষা বিভাগশিং, স্কুল বোর্দশিং অমদি এফিলিয়েতেদ ওথোরিতিশিংনা থিন্থবা তৌদনা থৌরাংশিং অদু পায়খৎনবসু মন্ত্রালয়না হায়রি।

পিএম ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- হৌখিবা চহি ১১ রোম অসিদা মহাক্কী সরকারনা রাজ্য অমগী চাওখৎপগী য়াংলেন শরু ওইরিবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর অমসুং ইনজির্গী লমদা অকনবা মীৎয়েং চংলি। শ্রী মোদিনা মহাক্কী সরকারনা তামিলনাদুগী হিথাংফম, এয়ারপোর্ট অমসুং লম্বী থোংবু হেন্না ফগৎহন্নদুনা ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং মতমগা চুননা শেমগৎপা হোৎনরি। শ্রী মোদিনা হায়- তামিলনাদুবু ভিক্সিত ভারত শেমগৎপদা মরুওইবা থৌদাং লৌহনগদৌরিবা কেন্দ্রগী ৱারেপ্পু উৎথোকপা ওইনা রাজ্য অদুদা অমুক্তা ওইখিদ্রিবা মওংদা চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিং পায়খৎলে। মহাকা হায়- ঙসিদি লৈবাক শিনবা থুংবদা মতমগা চুনবা অচৌবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর কয়া শেমগৎনবা পাক শন্না খোঙজং চংশিল্লি।

প্রধান মন্ত্রিনা ঙরাং তামিলনাদুদা তুতিকোরিন এয়ারপোর্টকী অনৌবা তরমিনেল বিল্ডিং শঙ্গাবগা লোয়ননা লুপা কোতি লিশিং ৪,৮০০ গী ওইগদবা তোঙান তোঙানবা প্রোজেক্ট কয়াগী যাত্রা হুনখি।

ছত্তিসগর ঃ ছত্তিসগরগী বিজাপুর জিলাদা ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সকা খুৎ থোক বদা য়ামদ্রবদা মাওইষ্ট মরি শিরে। মখোয়গী অশিবা হকচাংশিং অদু ফংবা ঙমখ্রে। সেক্যুরিতি ফোর্সনা থৌদোক থোকফম অদুদগী সেল্ফ লোদিং রাইফল য়াওনা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎলে।

জিলা অদুগী খা নোংচুপ থংবা শরুক্তা মাওইষ্টশিং লৈরে হায়বগী ইন্তেলিজেন্সকী পাউ ফংলবা মতুংদা সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবু অমনা থি হুন্থগী থবক চখুখি। ঙরাং নুমিদাং ফাওবদা সেক্যুরিতি ফোর্সেস অমসুং নক্সলাইটশিংগী মরক্তা মরক মরক্তা নোংমৈ কাপখি। সেক্যুরিতি ফোর্সনা মফম অদু কোইশিন্দুনা পাক শন্না থিবা হুন্থগী থবক চখুখি।

বিহার ঃ বিহারগী মুখ্য মন্ত্রি নিতিশ কুমারনা রাজ্য অদুগী জরনেলিষ্টশিংদা থাগী ওইনা লুপা লিশিং ১৫ গী পেন্সন পীরগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোলদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- বিহার জরনেলিষ্ট সনমান পেন্সন স্কিমগী মখাদা জরনেলিষ্ট অমমমদা থাগী পেন্সন ওইনা হান্না লুপা লিশিং ৬-৬ পীরম্বদু হৌজিক লুপা লিশিং ১৫ দা হেনগৎলগনি। মহাকা হায়- মসিগী মতাংদা থবক লৌখৎনবা ইনফোর্মেসন অমসুং পাব্লিক রিলেসন্স দিপার্টমেন্টতা খঙহনখ্রে। শ্রী নিতিশ কুমারনা হায়- পেন্সন ফংলিবা কনাগুম্বা জরনেলিষ্ট অমা লৈখিদবা থোক্লবদি মহাক্কী লোয়নবীদা লুপা লিশিং ১০ গী পেন্সন পীগনি। মসি হান্নদি লুপা লিশিং ৩ খক্তমক পীরম্বনি।

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

ঙসি ফোংবা পাউচেশিংদা কার্গিল বিজয় দিবস পাঙথোক্তুনা অথৌবা লাণ মীশিংদা গভর্নরনা ইকায় খুমবা উৎখিবা, সেক্যুরিতি ফোর্সনা তম্পাক্তগী খুৎশু খুৎলায় কয়ামরুম ফাগৎখিবা অমদি ওজাশিংবু লুমা লৌদ্রবদি খুন্নাই কৈদৌনুংদা চাউখৎপা ঙমলোই হায়বা এম.পি. বিমোলগী ৱাফমনা মরুওইবা পাউশিং ওইরি।

কার্গিল বিজয় দিবস পাঙথোকপগী পাড অসি তোঙান তোঙানা হেদলাইন তৌদুনা অয়াম্বা পাউচেশিংদা ফোংনরি। শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরীদা শান্তি লাকবা লেপ্তুনা হোৎনরি হায়বা গভর্নরগী ৱাফমগা লোয়ননা সি.এস.ওশিংগা ৱারী শান্নরি। সেক্যুরিতি ফোর্সনসু লেপ্তুনা থবক লৌখৎলি হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

সনালৈবাক্তনা ষ্টেটকী থাক্তা কার্গিল বিজয় দিবসকী থৌরম পাঙথোকখ্রে, ইং তপ্পা মণিপুর অমুক হন্না ওইনবা থৌরাং কয়া পায়খৎলি হায়বা গভর্নরগী ৱাফমনা অনিসুবা হেদলাইন ওইরি। পাউ অসি পোকফমদনা কার্গিলগী লানফম অদুনা লৈবাক অসিগী অপুনবা শক্তমবু হেন্না চেৎশিনহল্লে হায়বা গভর্নরগী ৱাফমনা অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

কার্গিল বিজয় দিবস পাঙথোকখিবগী পাউ অসি মণিপুর মেল, পিপলস ক্রোনিকল অমসুং শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসতসু অহানবা লমায়দা হেদলাইন তৌরি।

তম্পাক্তগী নোংমৈ ৯০ য়াওনা য়াম্লবা খুৎলায়শিং ফাগৎখ্রে, মরু ৭২৮, মেগজিন ২১, ৱায়ারলেস সেট ২৪ য়াওরি হায়বা পাউনা শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরীদা অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

পাউ অসি পোকফম, সনালৈবাক, হুইয়েন লানপাউ, নহারোলগী থৌদাং, মণিপুর মেল, পিপলস ক্রোনিকল অমসুং শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসতসু অহানবা লমায়দা হেদলাইন তৌরি।

সনালৈবাক্তা লৈঙাক্কী ওইবা ওর্দর লৈরবনিনা মরী লৈনবশিংনা থবক্তা ওন্থোকউ, ওজাবু লুমা লৌরক্লুবা খুনাই কৈদৌনুংদা চাউখৎপা ঙমলোই হায়বা এম.পি. বিমোলগী ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি। পাউ অসি অয়াম্বা পাউচেশিংদসু অহানবা লমায়দা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

পার্লিয়ামেন্টকী মোন্সুন সেসন তৎতনা এদজোর্নমেন্ট তৌবদগী মীয়ামগী টেক্স মনি ক্রোর ২৩ মাংহনখ্রে হায়না নহারোলগী থৌদাংদা অহানবা হেদলাইন তৌরি। সেন্তরনা এন.ঐচ-টুদা মীয়াম চৎথোক চৎশিন য়াহন্নবা প্রেসর তৌরকপদগী কুকি জো কাউন্সিলনা শিন্দুনা কাংপোকপীদা মীফম পাঙথোক্তুনা খন্নগদৌরি হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিগী অহানবা লমায়দা ফোংবা থেংনরি।

হুইয়েন লানপাউদা নাগালেন্দদা লায়েংবা চৎপা জেসামিগী খুঞ্জাশিং ইকায়বনা শিরে, জেসামিগী পি.ঐচ.সিদা ডোক্তর অমসুং ফমুং অমত্তা লৈরমদ্রে, মিনিষ্টর ওইরম্বা এস. রঞ্জন, গভর্নর অমসুং দি.সিদা হায়জখ্রবসু ডোক্তর থাবীরক্ত্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

আই.দি.পিশিং ময়ুমদা হঞ্জিনহন্নবা অমসুং খুদোংথিবা থোক্তনবা মীতৈ, কুকি জো অমদি নাগা সি.এস.ওশিংগা কন্না ৱারী শান্নরি হায়বা গভর্নরগী ৱাফম পাউচে অসিগী অহানবা লমায়দা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

------